ৱারীমচা

# ইলিশা অমগী মহাও

**(মণিপুরী লোনগী ওইনা ৱারীমচাগী লাইরিক্তা সাহিত্য একাদেমী ইহান হান্না ফংখিবা *ইলিশা অমগী মহাও*গী মীংথোল ওইরিবা ৱারীমচা)**

## নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহ

**অতিয়া** ঈপাক্তা থৱানমিচাকশিংনা কুফেৎ-কাফেৎ তৌরি। মরক মরক্তা অম-মম অনী-নি কেনখিবসু য়াওরি। বরাক্কী ঈচেল-খোম্থাংনা নাকোংদা য়ৈররি।

মী অতৈ কনামতা কুমথনরক্ত্রি। মপা মচাতনি। মচানা নৌ পায়রি, মপানা ঈন অদো শেমলি। মচারোমদা য়েংথোকখিবদা নৌ পায়না পায়না উইরি উইরি তৌদুনা লৈরম্বদো মপানা উরুরে,- 'হায়মা মণি! মসি উইরিমাল্লে, নুমিৎ থোক্কদৌরা ফাওবদা! নমিৎ অদো মোরোক অশাবা হেক নোইশিনববু! ঈশিংদা নমায় অদো শেংনা তাথোকউনে।"

নৌ অদো হিনুঙদা থল্লে হায়রগা মণি মপাগী য়াথং মতুং ইন্না মমায় অদো তাথোকই। অদুদগী শেৎলিবা খুদৈ অদুগী কুঞ্জা মচীদা মমায় অদো তৈথোক্লগা নৌ অদো অমুক পায়খৎলি।

মচাগী মতৌ অদো উবদা নুংশিরক্লমাল্লে, শেগাইরবা লৌখাং ফুরিৎ অদুগী য়েৎ থংবা খাউদগী বেরী মচৈ অমগা মৈখেৎ অমগা লৌথোক্তুনা হায়রকই, - "সে সে, বেরী মচৈ'সিমা য়াওরিসে! চম্মু। অমুক অনীরক চিংলগা ঐঙোন্দা অমুক পীরকউ।"

মণিনা বেরী অদো মচিন্দা চূপ্লগা মৈখেৎ অদো খেৎকদগী লাক্লে। মরু অনী-হুম খেৎলবা ফাওবদা মৈ হৌদ্রবদা শাউনিংলমাল্লে, মুরুম মুরুম শোল্লকই, - "মসিদি! তুরেল ময়াইদা হেক নমশিনববু!"

মপানা - 'কদায় কদায় ঐ তৌগে। হৌজিক্কালগী মৈখেৎ'সিনবু নাকন নাম্মতদা হিদাক তৈরদুনা, পৈশা লৌগদবগী ফিকিরতা।" হায়দুনা চঙশিল্লক্লগা মৈখেৎ অদো খেৎলরে।

মণিনা বেরী অদো অমুক্তং শাংনা হেক চিংবা লোইবগা আসোম ৱাংমগী ঘাটতা লৈবা মকোক জটা তাবা সাধু অদুগী খোল্লাও নাকোংদা য়ৈরে- "বোম ভোলানাথ! জয় শিবশম্ভু।"

সাধু অসি হৌরবদি নোং ঙাল্লনি কুইররোই। মী অতৈসু কুম্নরক্লনি।

লোঙ্গোর-বাবাগী ঈরেনলোমদা মপা-মচা হি হোঙ্জিল্লি। মফম অসি মী অয়াম্বনা চঙবদা খরা হঙ্গোইনৈ। অদুবু ঙাদি য়াম্না লৈগল্লি। ঈশিং খরসু চাউরবদি নাশুবীনা শৌ শাই। মরক মরক্তা গৌরিয়ানসু ফাওগৎলি। হাকুম মফম অসিদা গৌরিয়ান অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি।

ঈনদা কক্ লাউনা থেংবগুম তৌরি হায়দুনা মপানা ঈন অদো শোনগৎলি। অদুবু করিমতা য়াওরক্ত্রে। হিনাক অদুদা মহাকপু করেম্নবা ওইনা নাশুবী অমা ফুং লাউনা ফাওগৎলকই।

ঈরেন অদুদা অমুক অনীরক শোন্দুনা য়েংলম্লগা কান্নদ্রবদুদা মপামচা মখারোমদা হোন্থরক্লে।

শরক অসিদা হি মরি মঙাসু তারক্লে। নোংসু ফনা নীংথিনা ঙাম্থোরক্লে।

খরা চৎথরগা নাউরেমগী হিদেন মপা অদুদা লাইবক চুম্মুরে। ঈনদা ঙৌরোক ঙৌনা ফনা নীংথিনা চাউরবা ইলিশা অমা ফ্রং ফ্রং চোংবা উরে। মপা-মচাগী মায়থোং অনীদো খংঙান ঙাম্থোরকপগুম তৌই।

অঙাং ওইরিবা মণিগী মচীন্দগী খঙহৌদনা থোরকই- "ইস ফজরেদা! হাউরনিকো পাবো।"

"তূমিন লৈয়ু, তৌহৈদে হায়হৈদে।" মপানা চৈহৎলি। হিদেনদা মী কুম্মকপগুম তৌরি হায়দুনা য়েংথোকখিবদা নাউরেমগী মরেং থোল্লবা অহল অদো মখোয়বু মুন্না য়েংদুনা লৈরম্মী। কৌরকই- "মণি মপা, ও মণি মপা!"

তানা তানা তাশিন্নদে মণি মপানা। মহাক্কা রাশি থোইনা তিন্নদে। ঙা অসি লৈহৌরগে হায়গদগী কৌরিবনি হায়বসি মহাক খঙঙি। অদুবু ময়াম্না পীনবা মমলদি খক পীরোই। ইনাক খুল্লি হায়দুনা থক থক হুল্লোই। অনা-সিকি তৌদুনা চহী চামনি চঙগদৌবা।

অদুবু তত্তনা কৌশিল্লক্লবদুদা খুমদবা য়াদ্রদুনা খুম্মকই- "করি ওইরবনো খুড়াবু?"

নাউরেমগী অহলননা হায়রকই, - "কয়াম্না ফারবগে? ঐ অমত্তা লৈহৌগে। পাকিস্তান্দগী ঙা লাক্তবদগী লোইরেহে। ইরৈ অসি উদা য়েৎশিন্দুনা খাঙঙে। হকচাং অসি কংশিল্লক্লে।"

মণি মপানা মতোমমতা মুরুম মুরুম শোল্লি, - "সোরোক্তগী ক্বাকথী ফাওবা খুনবা নঙনবুদি করিগী নরৈ অদো উদা য়েৎশিল্লোই।" অদুদগীদি তানবা খুম্মকই, "ফাদে, অসিতনিদা।"

"অদুবু ঐ লৈহৌরগে।"

"ঙসিদি তোল্লকসি খুড়াবু। অসিমতং ফাবসিদা মওং চাররোই।"

য়াররোইদৌবা অদু উবদা নাউরেমগী অহল অদো মখা তারক্ত্রে।

"মসিগী অহল অসি থেংনরবদি দাও য়াররোই।" মপানা মুরুম মুরুম শোল্লিবদো তাবদা মচা অদুসু হায়রকই, "ঐসু ওন্থোক্পা নুংশিখিদ্রে। নহান মখোয়গী তোমালনা ঐঙোন্দা ফুরক্লিবনিনে। ঐসু ...।"

অঙাং অদুগী ৱা অদো লোইশিলহৌদ্রে। রহিমুদ্দিন মপা মচাগী ঈনদা ঙা অমা লকপদো উবদা মপানা মুরুম মুরুম অমুক্কা তৌরকই, "মীগীদি য়েংঙুদো, লাকপগা হেক্তা ফাবনি।"

রহিমুদ্দিন্না ঙা অদো হাপচিল্লগা কৌরকই, "ও তা চাউবা! কয়াম্না ফারবগে?"

"ফাদেদা, অমখক্তনি।"

"অদু ওইরবসু মহুত্তি হঞ্জিল্লেদনা। ঙরাংদি ঐ অহুমখক ফায়। মরি মরিদা য়োনখি।"

"য়োল্লবুদি হোয় পৈশা খরা মফংগনি। অদুবু য়োল্লরোই। ইচানুপী সনারৈ অদো থা য়ামশিল্লক্লে। চাক চরা অমতং পীজগে। হায়দোক্লগদি ইকায়বা জাৎনি, য়োন্নবা লাক্লবদা ইলিশাগী মহাও কাউবু কাউশিল্লক্লে। ঙসিদি চারুরগে।"

* * *

মপা-মচানা ময়ূমদা কাখৎলকপা মতমদা নুমিৎ মাঙ্গোল ময়াই য়ৌরম্মে।

মচানুপী খরা চাউবী তম্ফানা লোনবা শঙ্গোম য়াওদবা চিনি অঙাংবগী চা অদো মাঙ্গোন্দা ফমদুনা থক্লিঁৈদা কোনশমগী কহ্নাইনা কোম্থোংদগী কৌরকই, "চাউবা, ও চাউবা! ইলিশা অমা ফারকই হায়ববু চুমব্রা?"

কহ্নাইগী মখোল হেক তাবদা চাউবা মশা পূম্বা শ্বাই লাউখিবা খঙহৌদে। মঙোন্দা কহ্নাইগী লুপা অনী-সিকি তোল্লিবদো নীংশিংলকই।

মপানা খুমদ্রিঁৈদা মচীন য়াম্না থীগৎলকপদা ঙায়রিবা মচানুপা মুক্তানা খুম্মকই, "অং! অচৌবা অমখক ফারকই।"

অঙাং অদুনা হায়রিবদো কহ্নাইনা তারিগদ্রা তারিরোইদ্রা খঙদে। চাউবনা মচাদু চৈহৎলি, "হৈৎ মচীন থীরেদা অঙাংসিদি! নঙগী নথৌ করি লৈ?" অদুদগী থোঙ্গাল্লোমদা খুম্মী, "অমত্তবু ফারক্তেদা তাদা। কনানা হায়রিবনো?"

"হোয় হোয় ফারক্ত্রবদি কমদৌনি।" হায়রম্লগা কহ্নাই হনখি।

মুক্তানা মহাক্কা শান্নমিন্নরিবা মমান্নবা তোমচৌদা ৱারী শাই, "ঐখোয়গীদি হোরেন ইলিশা থোংবা চাগনি হায়বা। 'সুক চাউইদো তুরেলদগী ফারক্লিবা। নখোয়গীদি চাজব্রা?" মখূৎনা তমদুনা মমিৎনে মনানে তম্মি।

মচে তম্ফানা থোরক্তুনা মপাদা হিদাকফু পীদুনা হায়রৈ, "পাবো হৌজিক থোংনবা চেঙ লৈতে। কমদৌনি?"

পাউ তাবদা চাউবা মচানুপীরোমদা মুন্না য়েংঙি। হিদাক থক্লিংলম্বকা ৱাই চাইখিবা খঙহৌদে। তাঞ্জা অদুমক্তদা মশাপূম্বা মতু কেনখ্রবা শরূ শয়াং ঙাক্তা ঙায়রবা অহল ওইরবা হুই লাবা অদো কদোমদগীনো থোরক্তুনা শুমাং ময়াইদা তুরোই-ঙাল্লোই হেক চৎলৈ। চেঙ লৈতবগী মরম পূম্নমক মঙোন্দা লোইনা তাইনবিরে। হুই অদুবু হেক উবদা শাউমনখ্রদুনা চাউবা ফল্লিবা ফান অদু তাপ হেক পায়দুনা হুই অদু তম্না লংখিবা খঙহৌদে। মরাল লৈজদবনরা হুই অদু পানবদি পালহৌদ্রে। খেং খেং তৌদুনা থোঙ্গালরোমদা অদুম চেনখ্রে।

চাউবসু হিদাকফু অদু পায়রগা শাউনা শাউনা ইমুংদা চঙলক্লে। কুম লায়নানা ফমদা তাদুনা লৈরিবী তম্ফা-মমানা য়াওল্লকপা তাঞ্জা হেক থোক্লুরে। হৌজিক্তা লাঞ্জাও অমা থোকখিবদো তম্ফা-মমাদি ভাব তাহৌদ্রমাল্লে, হায়রকই, "অঙাং অসিনা চেঙ লৈতে হায়রিবসিবু তারবরা? কমদৌদোরি?"

মুৎলগে তৌরম্বা মৈ অদু অমুক খংচাক হেক চাকখৎলকই, "উম ঙমজদ্রে ইতোমতা লাক্লবা। শিগে হায়রগা শিজখরো মী ওৎতুনা লৈগদগী শরুকপুদি।"

খরগা চোনথরমগদবনি, অদুবু মপান্দগী কনানো অমনা কৌরকপা অদুদা য়াখিদ্রে।

কৌরিবদু কনানো হায়দুনা চাউবা মপান থোরকই। থানিনজাউ ওইরম্বদা চাউবা শকফম হেক হোংজিল্লি। হংঙি, "করি থবক্কীনো?"

"ঐখোয়গী থাবল্লে অদো লাকইয়ে। ঙা অমত্তা থিবা ফংখিদ্রে। তা চাউবনা ইলিশা খরা ফারকই হায়বা তাদুনা লাকইবসিনি।" থানিনজাউনা খুম্মকই।

"অমখক্তনিদা, ইমুংদা চঙলকউ, য়েংঙো লাউসে।" হায়রদুনা চাউবনা থানিনজাউবু ইমুংদা পুশিন্দুনা ঙা অদো য়েংহল্লি।

"কয়া লৌগদৌরি?" থানিনজাউনা হংঙি।

"মরি অদো লৌগেদনা। বোরাক্কী ইলিশাসু মহাওবনিদা।"

"এরা অহুম-মখায় পীরক্কনি।" হায়রগা থানিনজাউনা ঙা অদো পায়খৎলি।


"পৈশাদি হৌজিক পীদবা য়াদেকো। চেঙ ৱানগদৌরিবনি।"

"হোয়দা হোয়দা। পৈশা ওইনা লৌগে হায়রবসু লৌরো! চেঙ ওইনা লৌগে হায়রবসু লৌরো।" হায়রম্লগা ঙা অদু পুদুনা থানিনজাউ মপান্দা থোরকই।

মহাক্কা শুমাং হেক য়ৌবগা মুক্তানা উই, মপাদা কৌদুনা হায়রকই, "পাবো পাবো! ঐখোয়গী ঙা পুখরে। ঙা পুখরে।"

"লেম্না পুরিবা নত্তে হাই! পৈশা পীরক্কদৌরিবনি।" থানিনজাউনা ফাগী-ফারাং ওইনা হায়রম্মী।

অঙাং অদু ৱা মখা তারক্তে। পুখিবা ঙা অদু মুন্না য়েংদুনা লৈহৌই।



নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহ, কুমজা ১৯৩৫গী নবেম্বর ১৮দা আসামগী কছার দিষ্ট্রিক্কী পালারবোন্দদা পোকখি। তুংদা উরিপোক য়াম্বেম লৈকাই, ইম্ফালদা লৈখি। কুমজা ২০১৪গী মে ১৯দা নোঙ্গাখি।

মণিপুরী খোরিরোলগী তাইবঙদা ৱারীমচা ইবা, লমকোয় ৱারী ইবা অমসুং হন্দোক্লোই অমা ওইনা অচৌবা ফিদা কল্লিবা অইবা অসিগী ফোঙলবা লাইরিকশিংদি — ৱারীমচাদা *চেনখিদ্রবা ঈচেল* (১৯৬৫), *ইলিশা অমগী মহাও* (১৯৭৩), *থৱানমিচাক অমনা কেনখিবদা* (১৯৭৯), *বসন্ত মমৈগী কোকিল* (১৯৯৫), *পাইরকখিদ্রে চেক্লচাদো* (২০০২) অমসুং *ঐনা কেনগে কেনবা নত্তে* (২০০৯)নি। লমকোয় ৱারীদা *সোভিয়েৎকী লৈবাক্তা* (১৯৭৭) অমসুং *জি দি আর ডাইরি* (১৯৮৫)নি। মশাগী পুন্সি ৱারী (ওটো বাইওগ্রাফি)দা *নীংশিংলি হৌখ্রবা মতমদো* (২০১১) অমসুং *চীংলোন কয়া লান্না* (২০১৪)নি। হন্দোকপদগী ফোঙলবা লাইরিকশিংদি — *সন্ধ্যা থাউমৈগী মৈরী* (১৯৭০), *লৈরাং শাৎলবসু শাৎত্রবসু* (১৯৯৮), *হল্লকখিনি অমুক তোর্বানসিদা* (২০০১) অমসুং *গোরা* (২০০১)নি।

অইবা অসিনা খোরিরোলগী লমদা তোঙান- তোঙানবা মনা-মথুম, মিংথোল কয়াসু ফংখ্রে। পনবা য়াবা খরদি সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ, সোভিয়েট লেণ্ড নেহরু এৱার্দ, সাহিত্য একাদেমী ট্রান্সলেসন প্রাইজ, রাইটর্স ওফ দি ইয়ার, সাহিত্যরত্ন অমসুং টেগোর লিটরেচর এৱার্দনচিংবনি।

অইবা অসি মণিপুরগী তোঙান- তোঙানবা খোরিরোলগী লূপ কয়াগা শম্নরম্বদতা নত্তনা মরুওইবা থৌপুবসু ওইরম্মী।

# অতোপ্পা মিৎয়েং

## লেনিন খুমনচা

"**মেরাতোম্বী** কৈদৌরগে ঙরাং লাক্ত্রবদি?"

"ঙরাংদি পোত্থারগে খন্দুনা লাক্ত্রবনি ইচে।"

"হোয়দা, নোং-ফাদোকসু পোত্থাথোক্কদবনি কৈনো। ঐখোয়বু মোয় মপাগী মীনাইরা?"

মেরাতোম্বীদো বীমোলাগী অরোইবা ৱাহৈসিদা থৌনা খরা লাকপগুম তৌই। করম্বা থৌনানো হায়বদুদি খঙদে। নোংমা ফাদোকসু পোত্থাথোকপা য়াই হায়বা কাউরুরবনি। মীয়াম্না শীজিন্নরিবা 'পোত্থাবা' হায়বা ৱাহৈ অমা লৈরম্বদুদা মহাকসু অদুক মচিন্থোক্কী হায়জা শারিবা হায়বদুনি। তশেংনা মহাকপু ঙরাং পোত্থাখিব্রনে? পোত্থাবদি হায়রুনু ঙরাংনদুম থোইনা হেন্না ৱাখি। অহিংদু মিৎ ককলা অমত্তা ফাওবা উইশিন্দনা নোংঙানখিবনি।

"লৈঙোই অচাম্বা লৈত্রে। লৈঙোই ঙাইনরে। কোকশেৎ শেৎপবু অদুক কুইরবদি কমাইনা তৌগনি?"

মোহোরিনা নুপীশিংদুদা ওনশিল্লগা লাউরক্লি।

"নঙ নুঙ লৈঙোই চামগেরা, চেক হোল্লকেরা?"

"ইয়া য়াইদা ইচে।"

"ঙরাংসু পোত্থারবনিনা খরা কল্লম্লনি। চেক হোনবদো য়াওরক্লোনে।"

ময়ামদো ৱা লাওনা নোকই। মেরাতোম্বীসু হৈনিংদনা হাইফেৎ নোকই। চহী কুন্থ্রা তানখৎলকপদা ঙাইরিবী মেরাতোম্বী ঙসিদি শারবা নুংশাগী মৈশাদো শীংনবা ঙল্লে। অউবা কনাগী থম্মোয়বু লায়না খুদুম চনবা ঙল্লিবী মায়থোং থোৎলবা হকচাংগী কয়াৎশিং ঙসিদি তপ্ন-তপ্না কনশীলক্লি। থম্মোয় অদু ফাওবা ঙসিদি তশেংনা কনশীনখ্রবমক্লি। অদুগা অমুকসু তাইবং শেম্বীবা মপুদা নুমিৎ খূদিংগী থৌনিজরি, 'হেন্না কনবা থম্মোয় ওইহনবিয়ু' হায়না। মসিসু মহাক্কী মফমদদি তঙাই ফদবা লাইনীং অমনি। মহাক শোন্থরকপা, নারকপা য়াদে। নোংমতং হকচাং ঙমদদুনা লৈখিবদা নুমিৎ কয়ানি চাকখুম মৈ মুৎকদৌরিবনি। হায়না-হায়না মচানুপীদুদি খরা চাউরবনিনা ফরে। চহী অহুম ফাদ্রিবা মচানুপা অমদি শোল্লবী মনেম্বোকপুদি চাক চরা অমফাওবা পীজদনা করম্না থম্বা ঙমগনি? নহান য়াচংলকপা থবক হল্লকপদুদা অঙাং অতোম্বদু মশা শাগৎতুনা লৈরম্মী। হনুবীনা কোইচেন-চেন্দুনা হোৎনরম্মী। মা উবদুদা ঙাংবোই চৈবোই হায়রকই, "য়ূমদা অঙাং অপীকপা লৈহৌরি খঙলবনি খরা ঙন্নসু হল্লকপা ফবনি।" কন্নাগুম্বী অমা ওইরবদি শোইদনা খুল্লমগনি, 'করম্না ঙন্না হল্লকপা য়াগদৌরিবনো, অঙাং হোৎনদুনা লৈরো হায়রগনা পুন্না কংদুনা শিমিন্নবা তাবা।' অদুবু মেরাতোম্বীদি মনেম্বোক্লা ঙাংলিবদু করিসু খুমদনা ফি হোংখি। চৎলমদাইদবুদি অঙাং অসি নারক্কদৌরে হায়বা খঙখিবনি। মচাগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা লাইবক্তা পাইদুনা য়েংই।

"ননাওবা ইচাবু খরা ফরবো? সে ইমা লাক্লে। ইমা, চোংথাংমগী ইপু মাইবদু কৌরুসিরা?"

মেরাতোম্বীনা মনেম্বোক্তা ওনশিন্দুনা হংলকই।

"করিশু তৌরোইদা মশা খরা শাগৎপগী ৱানি। হয়েং ফাওবা হন্দ্রগনা কৌরুবা হায়বদুনি।"

"ইবেম্মদি করি এঞ্জাং থোংলিজাৎনো?"

"কোবী অমা লৈবদু থোংজিল্লো হায়খিবনি।"

"মাবু ঙসি লাইরিক তম্বা চৎপরা ইমা?"

"অঙাংসু মশা ঙমদে চৎলুরনু হায়দুনা চৎহন্দ্রবনি। খঙদ্রেদা ইবেম্মা নঙসু পঙৱা ৱারেদো। নপুরোইবদুদং লৈরম্লবদি অসুম্না ৱারোইদবনি।"

"করিগীনো ইমানা অদুম্না হায়রিবা। মহাক য়ূমসিদা নোংমদি শোইদনা লাকখিগনি।"

মেরাতোম্বী মাগী মিৎলুদগী শীন্থরকপা পি মরীক খরা য়াম্না হৈ শিংনা লমখাংদা মাঙহনখি।

"ইমা চাক চাথোকপীরুরো। ঐদি ঙাইহাক লৈরগা চারগে।"

অহিংদুমা মচাগী মনাক্তা ফম্লগা অসুম লেনখি মেরাতোম্বী। মরক-মরক্তা মচানুপানা চোইরোল লোল্লকই, "বোবোক ... বোবোক ... মোই থোইবনা হায়রিবা ঐখোয় বাবাদো লাক্লরোই হায়রিবা। লাক্কনিকো বোবোক। মখোয়গী জেল হায়বদো য়াম' নুংঙাইমাল্লে ঐখোয় বাবাদো নোংমতসু লাক্তে। বোবোক ঐসু হয়েং চাউরগা জেলদা লৈগেকো।"

হন্দকমুক্তি মেরাতোম্বী হিক-হিক লাওনা কপ্লক্লে। চেন্থরিবা পিদুসু অমুক থিংলুবা তৌদনা অসুম চেন্থরি।

"তাম্মো করিগীনো নঙনা অদুক য়াম্না খাংঙমখিদ্রিদুবো। করিসু লৈতবা লৌফম খরদুগীদমক অদুক তমথিরুরিবা। অচুম্বগীদমক লাই লৈরি হায়বা করিগী কাউরুরিবনো। ফনা চুমদুনসু ঙসিদি নহাক অরানবা ওইরেদো। নঙবু মিৎকুপ অমা ঙাইবদা থাবুম কয়া ঙাইবগুম ৱারিবী ঐনা চহী কুন করম্না ঙাইগনি। পাঙ্গল শোল্লবী ঐনা ইচাশিংসিবু মনীং থুংহনবা ঙমগদৌরিব্রা?"

হুমাংমলতনা নুংঙাইজরকখিবশিংগী মনুংদা ইবোচৌবসু মশীং থানরল্লিবনি। কনাদসু কায়রুদনা ইচম চমজবা লৌমী অমগী পুন্সিদা শুজ-নোমজবতনা মথৌদাং ওইদুনা ইংনা-চিক্লা পাঞ্জরকখি। থায়না হায়বা তারে মাবু পোকপা মপাবুংনা শেরামগী অহলদগী লৌফম অমা লৌহৌখি। মতমদুগী ইচম চল্লবা পুকচেল ঙাক্তা ওইদুনা মিং ওন্থোক ওনশিন তৌনবা চে-চাং অমত্তা লৈনখিদে। ঙসিদি অহলশিংদু থুপ্নখ্রবা, কুইরবা তুংদা নোংমা ইখঙ খঙহৌদনা ইবোচৌবনা লৌবুক্তা লৌরি হায়রিঁৈদা শেরামগী অহলগী মচানুপা য়াইমা লাক্লগা হায়রকখি,

"ইবোচৌবা নখোয় খুড়া লৈরিঁৈদদি লৌশাল তল্লম্বনি খুড়া লৈখিদবদগী নখোয়দি লৌশাল তমগনিকা হায়বা কাউরামল্লে। লৌ পরি অমগীবু চহি মাপল লৌশাল পীদ্রবনিনা মথংগীদি লৌ উরুরনুকো।"

ৱাফম অসি তাবদা ইবোচৌবা মঙগা চপ মান্নখি।

"করিনো তায়াইমা ইশাগী লৌচাগীবু কনাদা লৌশাল পীগদৌরিবনো? ঐখোয় পাবুংনা কনাদা লৌশাল পীরল্লিবা?"

"এ! নঙগীসিদি য়ূমদাংবনা কৈনাবা হায়বদু তৌরক্লেদো। অদু ওইরবদি লৌফমসি নহাক্কীনি হায়বগী খুদম চাংদম, মরী লৈনবা চে-চাং পুথোক্কদবনি।"

"খুদম চাংদম হায়ববু চহী কয়াগী মমাঙদগী ঐনা উরক্লিবসিনি।"

"মদুনা য়ারোইনে ইবোচৌবা। ফরে মসিগীদমক ইচিন-ইনাও ঙাংনদুনা লৈখায় তাবা ঙল্লরোই। হোরেন নুমিদাং প্রধানগীদা লাকউ। লৌফমসিগী মরমদা খঙবা খুলগী অহল-লমন খরসু য়াওহল্লমগে। নঙগীসু অখঙবা অহল লৈরবদি য়াওহল্লকউ।"

য়ূমদা হল্লক্লগা ইবোচৌবা মপাবুংনা শীজিন্নরম্বা তরং উপুদু হাংদোক্লগা থিবা য়াবা থিরে। অদুবু লৌফমদুগা মরী লৈনবা চে-চাংদি অমত্তা ফংদ্রে। খল্লি চে-চাংনা কৈদৌগনি। ঐগীদি অচুম্বনি, পাবুংনা লৌফমসিগী কনাদসু লৌশাল পীরমদে। লৈকাইগী অহল লমন কনাবুসু অমুক হায়রুদনা ইবোচৌবা মথন্তা প্রধানগীদা লাকই। য়াম্না কুইনা য়েৎনরবগী তুংদা ইচুম-চুম্না ইবোচৌবা মায়থিরে। লৈরল্লিবা অহলশিংদুনসু মাগীদমক করিগুম্বা অশেংবা ৱা অমত্তা ঙাংবিরকখিদ্রে। লোইশিল্লকপদা য়াইমনা হায়রকই, "ঐগীদি মরী লৈনবা চে-চাং খুদম চাংদম কয়া অমা পুথোক্লেকো। মাংলচৎকী ৱারীবু চুম্না খঙহৌবা অহলশিংনসু খুদম কয়া পুথোক্তুনা হায়খ্রেদনা। অদুগা ঙসিগী ৱায়েলসিদা নঙনা পেন্দ্রবসু ৱায়েল লোয়শঙদা থেংনসি হায়রবসু ঐগীদি য়াই।"

মখৌ পোঙনা ঙাংহৌবা য়াইমগী ৱাঙাংসি নীংশিং-নীংশিং ইবোচৌবা য়ূমদা হল্লক্লে। চাক চাদনা ফমুংদা অসুম চঙখ্রে। মথংগী অয়ূক্তা লবুক্তা কুমথখিবদা শেরামগী মচীন-মনাওশিংনা লৌফম অদু থৌরি তিংলগা ওল্লিবদু উবদা ইবোচৌবা শাওবনা হায়ফম খঙখিদ্রে। লৌফম য়ৌরমদনা য়ূমদা অসুম হল্লক্লে। মীচং শঙ্গ লৈজদবগী মশাগী মরৌচাবু কয়াদা লায়না মুনখ্রবা। মথন্তা মওন-মওন খল্লি, 'ঐসিবু মী ওইনা হিংবদা মতিক চারিব্রা?' লৈকাইনা ঙাংনবা অদুসু মহাক তাই, 'ইবোচৌবনা পাংমনদবদগী থোক্লিবনি।' ইবোচৌবা থক্কনি চাগনি খঙখিদ্রে। মীনা লাকচখিবগী মৈচাক্লা অঙাওবগুমখি। মচি-মচিদা ফল্লগা উংদুনা লৈখি। নোংমদি নুংথিল চুপ্পা অমা মহাক্কী লৌরি থাং অদু হঞ্জিন-হঞ্জিন ফেংদুনা লৈখি। নুমিৎ খরা লৈথরকপদুদা মেরাতোম্বীদা হায়রম্মী,

"ঐ লৌবুক্তা চৎলুখিগে, অঙাংশিংদু ফজনা য়েংশিল্লুকো।"

খুদৈ অমনা মকোক কুপশিল্লগা থাংজৌদু লেংবান্দা হায়গৎলগা থোকখি। মেরাতোম্বীসু মহৌশা মহৌশানি হায়দুনা করিসু থোইনা খল্লুদে। অদুবু কুইহৌদে মহাক্কী কোকথক্তা মালেম পূম্বা কীন্থরক্তুনা নন্থরকপগুম তৌরকখি। মায়কৈ খূদিংদগী লাম্মৈগুম শন্দোরকখি, 'খুন্দোলগী মী তাদবা লম্ধাংদুদা ইবোচৌবনা য়াইমা হাৎলে।'

মসিগী মতুং তারকপদা লৈজরম্বা লৌ-শিং খরদুসু চৎখ্রে। মীচং-শঙ্গ লৈজদবনা ইবোচৌবসু চহী কুনগী ফাদোক তাখ্রে।

"তোম্বী, হোরেনদি ঠিকাদার লাক্কনি হায়, য়াওশং ময়ানিনা পৈশাদো খরা পীয়ু হায়সিদনা।"

ময়াম ঙাইহাক পোত্থানরিঁৈদা বীমোলানা মেরাতোম্বীদা হায়রকপনি।

"হায়রোইসিদা ইচে। অপীবদুদং লৌসিদা।"

নুপী অমনা অমুক ফেনজিল্লকই,

" হাপ্পীয়ু হায়শি কৈনো; ঐখোয়গী মরক্তগী হায়রুবদা মায় ঙাক্লক্কদবা য়াওরি কৈনো।"

মচেক্তা য়ৈরকপা ৱাহৈদুদা মেরাতোম্বী হুমাং অনপ্পী কারকই। হায়রক্লিবা ৱাহৈদুগী চপ-চাবা পাউখুম পীনবা ৱাহৈ থিফম খঙখিদে। মহাক নুপীমক ওইজরবসু কনাগুম্বা অমত্তগা ওনশিন্নদুনা চীন্দা পাউদানদুনা খৎনবসু পামজদে। অদুমক্কনি মহাক্কা করিসু খুমদনা তুমিন্না লৈশিনখ্রিবদু।

ঠিকাদারদু চহী নিফু শুরমখিরোই। শুমীন্নরিবা নুপী অয়াম্বনদি 'ইবুংঙো' নৎত্রগা 'ইনাও' কৌই। অদুবু মেরাতোম্বীনদি য়াম্না কোইজনা 'তামো' হায়না কৌজে। নোংমা থবক লোইরগা য়ূমদা হন্নবা থোরকপদা ঠিকাদুরদুনা মঙোন্দা য়েংলম্বা মিৎয়েংদু উরুবদা মেরাতোম্বী শাথিনা হৈনদবা পোকখি। য়ূম য়ৌরক্লবা তুংদা অহিং চুপ্পা খনখি। থবক চৎলরোইসিরা হায়বফাও য়ৌখি। মথংগী নুমিৎতা য়াম্না হৈনিংদনা থবক শুফমদা লাকখি। য়ৌরকপগা উখি— চৌক্রিদা ঠিকাদারদুনা ফমদুনা লৈরম্বদু। খনখি, 'নহানমখৈদি তোয়না লাক্ত্রগা ঙসিসু লাক্লল্লিবসিনা করিগীনো?' মেরাতোম্বীগী মিহুলগী খোঙজেল কনখৎলকই। তঞ্জাদুদা মোহোরিদু চঙলক্লগা হায়রৈ,

"ইতৈমা মেরাতোম্বী, ঐখোয় তামোনা অসোমদা অমুক্তা লাকউ হায়রিয়ে।"

লৈমিন্নরিবী ময়ামদুগী মিৎয়েং পূম্নমক মেরতোম্বীদা থল্লকই। মিহুল খংবী বীমোলানা তপ্পা হায়রকই,

"চৎলুরো তোম্বী; মীনা লাকউ হায়রিবদো।"

চিনফেন ফবী ইবেমহলনা ফেনজিল্লকই,

"হো কিরুনু ইবেম্মা, কৈসু তৌরোইয়ে ...।"

করি করম্বা ৱাখল খল্লগা করম্না লাকখিবনো খঙহৌদনা মেরাতোম্বী ঠিকাদারগী মমাঙদা মতু-মমান ইপোন-পোন্না লেপ্পখি। তঞ্জায় য়ৌনা চাক্লবা চুরুটতুগী মৈখুদু থনুং য়ৌনা চিংশিল্লুরগা অমুক শাংনা কামথোক্লগা হায়রকই,

"চৌক্রিদুদা ফম্মুনে।"

"য়ারনি তামো; সুম লেপচরগে।"

"ফম্মুনে, ফম্মুনে।"

ইহৈ-হৈনদনা হেক ফমথবগা,

"নঙগী নুপাদি লৈরিব্রা?"

অমম্বা অহিংদা কিনা চৎলিঁৈদা খঙহৌদনা তুংদগী অকিবা খোঞ্জেলদা লাওরকপগুম্মী। অদুবু মেরাতোম্বী তাঞ্জাসিদা ৱাখল শোন্থবা য়াদে খন্দুনা মশা মথন্তা ফাথজরগা খুল্লকই,

"লৈরি তামো ...।"

"মাদি করি হোৎনরি?"

"করিসু থোইদোকপা হোৎনদে।"

"করিসু হোৎনদবা, অদুক চহী নৌরিবী নঙনা থবক শুবা চৎলগা মানা ফমজা চাদুনা লৈরিবা?"

হংলক্লিবা ৱাহংদুগী পাউখুম করি হায়না খুমগনি, 'ঐগী ইপুরোইবদি ফমজা চাদুনা লৈথোকপা অদুগুম্বা মীশক্তো নত্তে' হায়না খুমগদ্রা? অশেংবা ৱারী লিথোক্লুরগা মাগী অশোনবদা খুদোংচাবা লৌখিগদ্রা হায়না অমুক খল্লি। মেরাতোম্বী খনফম খঙদে।

"কৈদৌরে তুমিন্না লৈরিদি? নত্তে মাবু হকচাংগী ফীভমকা শোইনাইবরো?"

মতাংনা য়ারক্ত্রদুদদি মেরাতোম্বী লৈজবা থৌনা পাঙ্গল পূম্নমক খোমজিল্লগা মাগী অমদি মপুরোইবগী ৱারী পূম্বা লিথোকখি। মহাক কপসু য়াম্না কপখি। ঠিকাদারদুগী পাউখুম অমত্তা লাকখিদে।

নুমিৎসিগী মতুং থবক মফমদা ঠিকাদার কয়ারক হন্না লাকখ্রে অদুবু অমুক হন্না মেরাতোম্বীদা মুন্না য়েংলকখিদ্রে। কৌবসু কৌরকখিদ্রে। ৱারী শাসি লাকউসু হায়রকখিদ্রে। অদুবু নুমিৎ অসিদগী থবক শুমিন্নরিবীশিংদুনদি লোন্না নৎত্রগা ফোংনা তোঙানবা তুক্কৎচনিংঙাই ওইরবা মিৎয়েং অমা মেরাতোম্বীদা য়েংলকখি; মরক মরক্তা লক্করকপসু য়াওদবা নত্তে। পূম্নমক অসি মেরাতোম্বী করিসু খন্দবা শাদুনা লেল্লক্লি।

থা মখায়রোম লাকখিদ্রবগী তুং নোংমা মেরা থা পানখৎলকপগী নুংথিল অমা ঠিকাদার লাক্লে হায়দুনা ময়াম লাংনরকই। মেরাতোম্বীগী ৱাখলদা হাইফেৎ ফাওরবসু মহৌশাগুম মিহুল চেংগা-চেংগুম্নবদি ওইখিদে। ঠিকাদারগা মাগী ড্রাইভর নত্তবা মরেপ ৱাংবা, মশা পাবা, অথাবা আনোক উপ্পা, কোট অমুবা লিৎপা নুপা অমগা লোয়নরকপদু মেরাতোম্বীসু উই। মোহোরিনা কোয়চেন চেন্দুনা ফম্ফম শীন্দুনা ফমহল্লি। ঠিকাদারদুনা হায়রকপগী মতুং ইন্না থবক শুরিবী নুপী ময়ামদুগী মনাক্তা মহাক লাকই।

বীমোলনা হংলকই, "ইবুংঙোনা ঙসি পৈশা পীনি হায়ব্রা?"

"হায়রক্তে। হোরেন ইতৈমখোয়না ঙাংনজৌ।" মেরাতোম্বীদা ওনশিল্লগা হায়রকই, "ইতৈমা মেরাতোম্বী, অশোমদা অমুক্তা লাকউ হায়রই।"

লৈরল্লিবী নুপী ময়ামদো মহৌশাগুম ঙসিসু মেরাতোম্বীদা লোয়না য়েংলকখি। অদুগা মখোয় মশেল য়েংনরগা মখোলদি থোক্তনা করিগুম্বা খরদি ঙাংনখি। তুমিন-তুমিনসু নোক্লখি। অদুবু মেরাতোম্বীদি করি হায়রক্কদৌরিবা নৎত্রগা করি হংলক্কদৌরিবা খনবদা খনফম খঙখিদে। অমম্বদা পোৎ থিবগা চপ মান্নখি।

"তোম্বী চৎলুরোদনা। পৈশাসু খরা হায়রল্লো।" বীমোলানা হায়রকপনি।

করিগুম্বা পাম্বৈ অমা থিজরকপগুম মচে বীমোলাদা শোন্থাংননা হায়রকই,

"ইচে ইথন্তা চৎপা হৈনদে; ইবানি চৎলুসি।"

ইবেমহলনা কদোমদগীনো শৎ ওক্তুনা খুল্লকই,

"অতোপ্পা য়াওহন্নিংদবা ৱারী ওইরল্লবদি।"

হান্নগী নীংজিং-মাংজিংনদুনা লৈরিঁৈদা ইবেমহলগী ৱাহৈদুদা হেন্না খংলু লুশিনখিবদৌনা ফাওহল্লকই, 'অতোপ্পা য়াওহন্নিংদবা মী তাবা য়াদবা ৱারী হায়রিসিবু করিনো?' মশাগী থৌনাখক নত্তনা কনানদি লাক্লগা কনবিরগদৌরি। অদুবু থৌনাদি কদাই? পূম্নমক ওইদুনসু মালেম লৈমায়দা তাফদ্রগুল্লবমা য়াথংদুবুদি করম্না ঙাক্তবা ঙমগদৌরি। খুত্তগী পোল্লাংদু থল্লম্লগা তপ্ন-তপ্না ঠিকাদারদুগী মনাক নল্লকই।

"তামো করি তাকপিগদবা?"

"মোরাদুদা ফম্মুনে।" ঠিকাদারদুনা মাগা ফম্মিন্নরিবা নুপাদুদা ওনশিল্লগা,

"মহাক্লি মেরাতোম্বী হায়বদো।"

থারবা পৱার আনোক্তু ফাওদুনা য়েংলক্লগা খঙলে হায়বগী মওংদা মঙক নোমখি। মেরাতোম্বী তৌনরিবা মওংসি করিনো হায়বা ৱাখলনা লাম্বা ঙমদে। করি থোক্লগবা খনবদা ৱাজরবী থম্মোয়দুনা তাইবং শেম্বীবা অমম-অঙান খায়রিবা মপু মাবু নীংবা নত্তনা করিদি তৌরুগনি। ঠিকারদুনা মঙোন্দা ওনশিল্লগা মখা তারকই,

" ... ঐগী মরুপসি উকিলনি। মঙোন্দসু 'তামো' কৌ। ঐনা ঙসি হায়গদৌরিবা ৱাসি নঙ শোয়দনা ঙক্কনি। নঙ ঐঙোন্দা করিমত্তা কোইগনু। পোকমীন্নবা নবুংমক্লি খল্লু। তোম্বী নঙগী ৱারী তারুবা নুমিৎ অদুদগী নঙগীদমক খনবদা ঐ অহিং কয়া তুমখিদে। য়েংঙু ঐখোয়গী ঙসিগী খুন্নাই অসিদা লাইবক থিরবী নঙগুম্বী কয়াদা য়েংবিরীবা মিৎয়েংসে। নঙসু মদুগী চৈনাদু শোয়দনা ফংলমগনি। নঙবু কয়া কুইনা চুম্না লেপ্পা ঙমগদগে? নশানা পাম্নবু ওইরবসু পামদনবু ওইরবসু নোংমদি নোরোক্কী কোমদা খোঙ থাংজিনখিবসু য়াই। হায়নবা লৈদনা, 'নুপী ওইবীশিংগীদি পাঙ্গল কল্লবা মবুং-মৌপ্পা কয়ানা ঙাক শেনবীববুদি কুম লায়না চেনবা মপুরোইবা অমা লৈবনা ফৈ।' অদুনা ঐনা কয়ারক হন্না খল্লবা মতুংদা ইবোচৌববু কৈশুমশঙদগী লৌথোক্লগে হায়না খল্লে।"

"তামো।" মেরাতোম্বীগী মচিন্দগী ৱাহৈ অসি থোকখিবনো হায়বা খঙজহৌদে।

"ঐগী মরুপ অসি উকিলসিগা ঐখোয় অনীনা ইবোচৌববু অহুম/মরিরক উনরুরে। হৌজিকসু মহাক্কা উনরম্লগা লাক্লিবনি। মহাক শোইদনা থাদোক্লগনি। নঙ করিসু ৱারুবগনু।"

মেরাতোম্বীনা হান্না খল্লম্বা ৱাখলশিংদু নুমিৎকী মঙাল ফংবদা লিক্লানা মাঙখিবগুম তপ্ন-তপ্না মাংশিনখ্রে। মঙলা তাইবংলা জ্ঞান তাশিল্লক্ত্রে। করি-করম্বা ৱাহৈনা পুকচেল চাউরবা ঠিকাদার অসিবু থাগৎকদগে হায়বা খনফম খঙখিদ্রে। মহাক্কী নুংঙাইবগী নুমিৎ তাখিবা মিৎকুপ্তুগী শীন্থরকখিবা পিদু নত্তনা তোঙানবা পিগী ইরিক্লা মহাক্কী মিৎলু অনীদু ঈচেল নাইনা চেন্থরক্লে।

"অপংবী করি কপ্লিবনো? নঙোন্দা হান্না হায়রম্লবসু য়াবনি অদুবু ঐ হায়হৌদ্রে। হায়রমদবনসু হেন্না ফৈদা। ঐখোয় অনী তোয়না উন্নরগা থবক শুমীন্নরিবা ময়ামসিনা ৱাখল লান্না লৌখ্রবদি; মদুনা হেন্না হৈনখিদবসু য়াই।"

নুমিৎ লৈথরকপদুদা থবক শুরম্বী লাপ্পা লৈরিবী ময়াম্না ময়ূম-ময়ূমদা হন্ননবা মপোৎ-মচৈ লোইশিনবা হৌনরক্লিবদু ঠিকারদুনসু উরকই।

"ফরে তোম্বী, ময়ামসু হন্নবা লোইশিন্নখ্রে। নঙসু হন্নবা তৌরো। অদুগনে তোম্বী ঐগীদি ইচে-ইচল অমত্তা লৈজদে। নিংঙোল চাক্কৌবা খূদিং ঐনা নঙবু কৌগে। হন্দক্কী নিংঙোল চাক্কৌবসু কুইরক্ত্রেদনা মসিদা নঙ শোইদনা লাক্কদবনিকো।"

"হোয় তামো নচল শোইদনা..." তপ্পা হৌগৎলকই। হায়ফম খঙদবা হরাওবা অমনা মশা পূম্বা য়োমশিনখিবদুদা মেরাতোম্বী খোঙ থাংবা ফাওবা কাউথোক্কে তৌরকই। মেরাতোম্বীগী মতৌসিদা ঠিকাদারদুনা হায়রকই,

"চৎলো, চৎলো থেঙখ্রনি। ইতৈমা বীমোলানসু নঙবু ঙাইদুনা লৈরে।"

মেরাতোম্বীসু তরংদা মচে মেরাতোম্বীগী মনাক তম্লক্লি।